হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওগষ্ট ২০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৪৫শুবা মশীং


# এসেমব্লিগী ১৩শুবা মীফম

## মীয়ামগী ৱাফমশিং খন্নদুনা লৈখাই তাহৌগদবনি

হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসি কুমজা ২০১৭কী মার্চ থাগী অহানবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল মতুংদগী লৈরকপনি। পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুগী রিজল্টশিং মপূং ফানা লাউথোকপা লোইরবা মতুং এসেমব্লি অসিগী ইলেক্টেদ মেম্বর ৬০বু হাওসকী মেম্বরশিং ওইবগী ৱাশক প্রোটেম স্পিকরনা মার্চ ১৯, ২০১৭তা লৌবা নুমিৎতগী লৈরকখিবনি। অদুনা ১১রক শুরকপা এসেমব্লি অসিগী মপুন্সি মার্চ ১৯, ২০২২ ফাওবা লৈরিবনি। চহী ৫গী মপুন্সি লৈবা ষ্টেট এসেমব্লি অমদা মসিগী সিটিং কয়ারক লৈগদগে, য়ামদ্রবদা চহী ৫গী মনুংদা য়াওরিবা নুমিৎশিংগী মনুংদা তঙাইফদনা নুমিৎ কয়ানি ফমগদগে, করিগুম্বা সেসন অমা ফম্বা লোইখ্রবা মতুংদা ষ্টেটকী গভর্ণরনা প্রোরোগ তৌখ্রবা মতুংদনা অনৌবা সেসন অমা কৌরকপদা করি করম্বা থবকশিং পায়খৎকদগে, নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদা মীফমগী নোটিফিকেসন থোক্কদগে হায়বনচিংবগী চৎন-কাঙলোন (ফোর্মেলিটি) পূম্নমক লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসনদা অদুম্মক ইদুনা য়াওজবা, লৈজবা ঙাক্তনি। এসেমব্লি মীফম অমা ফম্নবগী মতাংদা কনানা, মতৌ করম্না ইনিসিএটিভ লৌরক্কদগে হায়বগী মতাংদসু মসিগী কাঙলোন লৈজরিবনি। হায়রিবশিংসি লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্তা লৈবাকসিনা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকপদগী চৎনদুনা লাক্লিবা মচৎ ঙাক্তনি। চৎনবীশিং অসি ঙসি ফাওবদা ইন্দুনা অমসুং ঙাক্তুনা পাঙথোক্লরক্লিবা ঙাক্তনি।

লুরিবা ৱাফমদি, ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুনা মখোয়গী মীয়ামদুগীদমক করম্বা মতমদা এসেমব্লিগী সিটিংশিং নুমিৎ কয়ানি ফমদুনা চত্থগদগে হায়বসিনি। মরমদি লৈরিবা লৈঙাক্তু মীয়ামগীনি। মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং তৌগদৌরিবনি। লৈঙাক্তুনা হাওসতা টেবল তৌরকপা বিল মখল পূম্নমক মীয়ামগীনি। খন্ন-নৈনগদৌরিবা ৱাফম পূম্নমক ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুগীদমক্তনি। অদুগা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন হায়দুনা লৈরিবা হাওস অদুদা রুল্লিংগী থবক থৌরমশিংদা হিমাই চুমগদৌরিবনা ওপোজিসন কাঙবুনি। হাওসতা টেবল তৌরকপা পূম্নমক্কী দিস্কসন, দিবেট নীংথিনা চত্থরগা খ্বাইদগী ফরে হায়বা ৱাফমদুদা ৱারেপ লৌগদৌরিবনি। ৱারেপশিংদু লৈবাক মীয়ামগী ওইগদৌরিবনি। মরমশিং অসিনা ঙসিদগী হৌরগা সিটিং অহুম লৈগনি হায়দুনা থৌরাংলিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী ১৩শুবা মীফম অসিদা হৌজিক ষ্টেটসিনা থেংনরিবা প্রোব্লেম/ইস্যুশিং অসি অমত্তা চিত্থদনা পুথোক্তুনা লো-মেক্কিং বোদি অমা ওইরিবা হাওসসিদা খন্নহৌদুনা ৱারেপ লৌহৌবা চুমগনি। খন্নগদবা/নৈনগদবশিংসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। কোকথোং অমত্তা নত্তনা ময়ামনি হায়বা য়াই। অদুবু হৌজিক মীয়াম্না মায়োক্নরিবা মীওই ১৭৩২গী পুন্সি মাঙহনখ্রবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং তরেৎ তরা থোক্লা খন্নহৌবা চুমগনি। মরমদি থব্রায় মাঙহনবা ঙম্লিবা তমথীরবা লায়নাসি হৌজিক ফাওবদা ষ্টেটসিদগী মরূ ফংনা ফূক্তুৎলগা লংথোকখিবা ঙমদ্রিবনি। নুংতিগী লেপ্তুনা অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরিবনি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিহনবসু লেপত্রিবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা ষ্টেটসিগী মীয়াম্না চহী ৪০ রোম চূপ্না তান্দুনা লাক্লিবা মণিপুরদগী দিষ্টর্ব এরিয়াগী ষ্টেটস লৌথোক্তুনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱরস এক্ট, ১৯৫৮ রিপিল তৌবনি। এক্টসিগী মতাংদা মসিগী ফীভমশিং মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপসু লৈরে। ইস্যু অনীসি নত্তবা অতৈসু লৈরি। অদুবু পূম্নমকসি হাওসতা রুল্লিং পার্টি খক্তুনা ইনিসিএটিভ লৌরক্কদবনি হায়দুনা ওপোজিসন্না য়া কাথোক্লগা হৈবোং অমুনবা তারক্কনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈথোকপসু চুন্নোই। পার্লিয়ামেন্টরি দেম্মক্রেসিদা লৌফম থোকপা ওপোজিসনগী থৌদাং চপ চানা লৌবনা মীয়ামদা হেন্না কান্নগনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১) *“পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।”* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) *“পুন্সিগী খোঙচৎতা”* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো?

৩) *“নুংশিত্তি পাবা হৈতে”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা হন্দোকপনো?

৪) *“কনাসু ঐগী মিং খঙদে”* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) *“নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্ত্রে লৈশিল্লে, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।”* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ভোটলাই চুবগী থবকসি থাদোক্নরসি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ভোটতা ঙাওবা, ভোটলাই চুবগী লায়নাসিসু অরায়বা লায়না মখল অমদি নত্তে। চহী মঙা/মঙা খুদিংগী অমুক-অমুক্তং লাকপা ইলেক্সনসিদা ভোটলাই চুবা কাঙবুশিংনা অমুক-অমুক নাবা হৌরকপসিদি থথাদা খক ওইদে। মাইবী লাইনৌ তোংবীশিংগী খূৎঙাওদি কৎচানি, থম্বু-থমখিসি। ভোটলাই চুবা কাঙবুশিংসিনা ঙাওবসিদি মহা প্রলয়দনি। ইলেক্সন মতম হেক য়ৌরকপগা মমা, মচা, মরুপ-মপাং, মরী-মতা অমত্তনা খাম্বা-লাকপা য়াপোৎ নত্তে। ঐ ভোট কারদৌনি, ঐ এম এল এ ওইরদৌনি, মীয়াম্না খনবা ইলেক্টেদ কা'য়দু ঐ ওইরদৌনি, সিখক্তনি মখোয়না চপ য়ুংনা খল্লি। সিদগী হেন্না কনবা লায়নাসিবু পাক-পাক থেংনগদ্রনে ঐখোয়বু? থাজদেদা। ভোটলাই চুবগী ৱারী হায়রগা হায়হৌগদবা অমসু চিত্থহৌরে, ভোটলাই চুবগী লায়নাসি মখল য়াম্মী। ভোটলাই চাউনা চুবা কাঙবুশিংনা জেনরেল ইলেক্সন হেক নকশিল্লকপগা ভোট লেপ্পীংবনা মশাসি খাংফম খঙদবা মখৈ ঙাওগদৌরিবনি। কেন্দিদেট ওইনীংমন্দুনা, কাবা-কাদবগী পোফমকা অমত্তা য়েংদনা, খাম্নবা য়াদ'মখৈ চোংথোক্তুনা ভোট লেপকদৌরিবনি। অদুগা, অতোপ্পা ভোটলাই খরা পিক্লা চুবা কাঙবুশিংদুনা, মশানা ভোট লেপ্পা শুকনৎ হেক নত্তবদা, মীগী ভোটতা খক্তনি মখোয়না ঙাওদৌরিসিনা। ভোটলাই খরা পিক্লা চুবা কাঙবুশিংসিদি মশীংসু য়ামখ্রপোৎনি, থিবদা পাক লোইরোই। মখোয়না কেন্দিদেট অমা নৎত্রগা অমগীদমক তূম্বা-চাবা খঙদবা মখৈ অহিং-নুংথিল খায়দনা কোয়চেন চেনগদৌরিবনি। মখোয়সিসু শাথীবা কাঙবুশিংনি। মখোয়না ভোটতা খ্বাইদগী হৈ-শিংবা কাঙবুসি মখোয় খক্তনি হায়জরিবনি। কাবা-কাদবগী ৱাফম খঙদে, মখোয়গী ৱাখলদদি মখোয়না চেল্লিবা কেন্দিদেটশিংদু লোইনা কারদৌবা মক্তনি। অয়ূক্কা নুমিদাংৱাইরমগা হেক-হেক হোটেলদা ভোট মশীং থিবা, ভোট হায়দোকপা কাঙবু অমসু লৈ। মখোয়সিসু ভোটলাই চুবা কাঙবুশিংনি। খঙদ্রেদা, লমদমসিদা ভোটলাই চুবগী লায়নাসি নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি।

মথক্তা থমজখ্রিবা ৱারী মতেকসি, ৱারৌবীরোই, ইলেক্সন হায়বা পোলিটিক্সকী অমত্তা ঙাইরবা চাংয়েংগী থৌদৌসিদা ঐখোয় পূম্নমক্না অসুক য়াম্না হেঞ্জিন্না লৌশিল্লিবা অমদি থৌদৌসিদা অসুক য়াম্না লেবর, মতম অমদি শেঞ্জাওনচিংবশিং অরেম্বদা থাদদুনা মাঙহল্লিবসি করিগীনো হায়বা ৱাখল্লোনসিগী মখাদা থমজবনি। ঐখোয়না খঙই, দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা ইলেক্সন হায়বা থৌদৌসি শুপ্নগী কনাগুম্বা মীশক অমখকপু ঐখোয়না ঐখোয়গী লুচিংবা নৎত্রগা লিদর অমা ওইনা খনবগী থৌদৌদুনি। খনবগী মওংনা লুচিংবা নৎত্রগা লিদরদু ওইজগে হায়দুনা চোংথোক্লকপা মীওইশিংদুগী মনুংদগী ঐখোয়না মতিক চায় হায়না খনবা মীওইদু খক্তমক সিক্রেট বেল্লোট পেপরগী খূত্থাংদা খনবনি। থৌদৌসিবুনি ঐখোয় পূম্নমক্না ইলেক্সন হায়না পাক-চাউনা লৌনরিবসি। চুম্মী, হায়রিবা ইলেক্সনসিদা ঐখোয়না ইলেক্ট তৌরিবা মীশকসি মীয়াম ঐখোয়গীদমক খ্বাইদগী হেন্না থৌদাং লৈবা মীশক অমনি।

মহাক্না মীয়াম ঐখোয়বু লুচিংবীগদৌরিবনি অমসুং মীয়ামগী মপি-মপা ওইবগী থৌদাংসু লৌবীগদৌরিবনি। অমরোমদদি মখোয়সি মীয়ামগী পাউখোল্লোয় অমসুনি। পোফমসিবু শিনফম ওইনা পায়নীংবদগী মতমসিগী মীওই কয়ামুক্না মশা-মশানা মতিক চারবা মীওইশিংনি খঞ্জদুনা কেন্দিদেট ওইনা চোংথোক্নরিবনি। ফরে, চোংথোক্লিংবা কাঙবু মখৈ চোংথোকচরসনু, খনগদবা ঐখোয়না শুপ্নগী ইলেক্সন নুমিৎতুদা, অহান-অকোন খজিক্তং ঙাইনরগা সিক্রেট বেসিসতা, ইশা-ইশানা ফগনি খনবা মীওইশিংদু খক্তমক খনবীরগা লোইরে। সিদবু করি ময়েক্নো চঙদৌরিসি? ঐখোয় ময়াম্না খল্লম্বশিংদু পুথোক্তুনা অমুক মশীং থিনরগা কনাবু মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্না পাম্মী খল্লম্বগে হায়বদু য়েংনরগা লোইরবনি। থৌদৌসিদবু ঐখোয়না করিগীদমক ইলেক্সন নুমিৎ য়ৌগদবা থা কয়ামরুম ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা নুমিৎ খুদিংগী হঞ্জিন-হঞ্জিন মতম মাঙহন্দুনা নৈনরুগদৌরিবনো? সিনি ঐখোয়গী খোঙথাংদা লাল্লিসি। হৌজিকসি চাওখৎলবা মতমনি, থায়নগী টি ভি, ইন্টরনেট থোকত্রিঙৈগী মতমদু নৎত্রে। নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচে ময়াম অমসু লৈরে। শুপ্নগী মতম খরা মাঙগদৌরিসি, কেন্দিদেটশিংদু খক্তনি। মখোয়না পাউচেশিংদা মখোয়-মখোয়গী বাইওদাটাশিংগা লোয়ননা মখোয়না কেন্দিদেট ওইনীংবগী ৱাখল্লোনশিংদু খক ময়েক শেংনা ফোঙলক্লগা লোইরে। মরক-মরক্তা রুটিন নাইনা লোকল টি ভি চেনেলশিংদা মশানা থোক্তুনা মীয়ামদা ফোঙদোক্লিংবা কয়ামরুমসু ফোঙদোকপা য়াই। সিদগী খরা হেঞ্জিন্না তৌগে হায়রগসু ইন্টরনেটকী খূত্থাংদা সোসল মীদিয়া ময়াম অমসু লৈরি। সিদগী হেন্না ভোট খোম্বগী থৌদৌসিবু করি হেন্না তৌফম থোক্লিবগে? সি-মঙাই। সিষ্টমসি খক চৎনবদা ভোটতা শেল অমত্তসু তিংনরোই। ভোটকীদমক থা কয়া চঙনা লাঙনবা অমসুং শেনয়ামশিং চাদিং তৌনবসু লৈররোই। অদুগীসু মথক্তা ভোটকীদমক খৎন-চৈনবা অমদি মীশি-মীনাগী থৌদৌশিং হেক-হেক থোক্নরম্বদুসু থোক্নররোই। থৌদৌসিদা ভোটলাই পীক্লি চুবা কাঙবুশিংগী মথৌসু তাররোই। শুপ্নগী ভোটলাই চাউনা চুবা কাঙবুশিংদু খক্তনা কেন্দিদেট ওইনা লেপচরনি।

খঙদ্রেদা, চাওখৎলকপগী মতুংইন্না, মীনা হৌজিকসিদা হীরম খুদিংমক্তা মতম মাঙহন্দনবা, চাদিং হন্থহন্নবা অমদি অরেম্বদা খক লেবর থাদদনবা থৌদৌশিং ঙাক্তা থিনরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কীদি ঙসি ফাওবদা ইলেক্সনগী থৌদৌসি থায়নদগী হৌনা লৈরক্লবা মচত্তুদগী হেন্না খক হোংদোকত্রি। ইলেক্সন্দা কা হেন্না শেনয়াম চঙহনবা অমদি কা হেন্না অরেম্বদা মতম অমদি লেবর থাদদুনা মাঙহনবগী থৌদৌসিনা কান্নরিবসি কদায়দনো? ঐখোয়না ৱাখল থেনবনরা, লাম্বা খক ফংদে। সিনরা কৈনোসু খঙদে, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কোরোনা লাইচৎ থিংনবা হোৎনবদা মমৈ অসুক য়াম্না শাংথরিবসি? তৌ'বুদি, হায়বগী ৱানি, কোরোনা লায়নাবুদি মতম শাংথনা লৈহন্নীংবা কনাসু য়াওরম্লোই। অদুমকপু, ইরমদম মণিপুরসিদদি মদুসু হায়রুবা পাক য়ারোই। ফর্ষ্ট ৱেভকী মতাংদুদসু ফর্ষ্ট ৱেভতু লোইদ্রিঙৈদা সেকেন্দ ৱেভনা লোনশিল্লকখি। ফর্ষ্ট ৱেভ, সেকেন্দ ৱেভ অনীমক পূন্না চৎমিন্নখি। হন্দকসু থৌদৌদু তাদৌরিব্রা, ইরমদমসিদা সেকেন্দ ৱেভ লোইদ্রিঙৈদা মালেমগী ওইনদি থর্দ ৱেভ লাকপা হৌনখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনসু কেরলানচিংবা মফম খরদা থর্দ ৱেভ য়ৌরক্লে হায়বগী পাউ লৈখ্রে। ৱারীসি কোরোনারোমদা ওইনা চৎখিদৌরে। মতম্নরা কৈনোসু খঙদ্রে, হৌজিক্কী মতমসি ৱারী অমত্তা শানবা য়াদ্রে, কোরোনারোমদা হেক্তা চৎখি। হৌদোক্লিবা ৱাফমসি ইলেক্সনগীনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৱারেপ মনুং চল্লবসু, ইন্দিয়াদা ইলেক্সনগী থৌদৌসিমদি তশেংনমক চাওখৎলকপগী মতুংইন্না খজিক-খরাক হোংদোক্লবা হোৎনবসি চুম্লদ্রা খল্লি। অদুবু হৌজিক ফাওবগীদি, হোংদোকপগী ৱাফম অমা ফাওবা কাঙথোক্লরকপা থেংনদ্রি। হায়সু হায়বনি হায়বু, ঙসি ফাওবদা চৎনরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইলেক্সনগী মোদেলসিদি শেল পীরগা ভোট লৈবগী থবক, করপসনগী অহানবা পাড়াদু ওরাইহনবনি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মতমবু লীকশিন্না শীজিন্নবা অমদি অরেম্বদা লেবর থাদদনবা হোৎনবগী পান্দমশিংদুসু সলাক শানা খোঙ্গাওনবীরি।

মথক্তা থমজখ্রিবা ৱাফম খরসি নৈনরুরগা, লৈবাকসিদা হৌজিক-হৌজিকমক চৎনরিবা মতমসিগী ইলেক্সনগী মোদেলসি অসুক্কী মতিক হঙ্গোইবা অমসুং তাইওন্নবা পোক্লকই। তশেংনা হায়রবদা, মতমসিগী ইলেক্সনগী থৌদৌসিদা, মীয়ামগীদমক খঞ্জবা মীওইশিংনা মীয়ামগীদমক কত্থোকচরগে হায়দুনা মথম্মোয় শেংনা চোংথোক্লকপা মতমদা মখোয়গী মফম লৈরিব্রা? ঙসিগী ইলেক্সনগী ফীভমসিদা মখোয়কী ফম্ফম কদাইদনো? ঐখোয় অমুক্তং থিমিন্নসি। ●

# লুহোংবা; লু হোংবদা লেন তারে

**- মনিস্না মঙাং -**

চীংখোঙগী উখাদুদা অহল অদুনা থম্মোয় শোক্লা তোয়না পনবীরম্মী, “মতম অমদদি লুহোংবা য়াম্না চম্না পাঙথোক্লম্মী। অপোক-অশা থাবা, লন্নাইগী ক্বা, হৈ-লৈশিংগা চঙদ-য়াদবা খরনা শিল্লগা, হৈজিং-খরাই পুদুনা হরাও-হরাও অঙম্বা অওং-অউন তমদুনা লুহোংনরম্মী”।

মতমগী অহোংবনি মতম অমগী লুহোংবা ঙসিগী ৱারীদা তাবা নত্তনা ৱাখলনা শাগৎপদা নোক্লিংবা ফাওনরে মরমদি তারিবা ৱারীদুগা হৌজিক পাঙথোক্লিবা অসিগা মশক অদুক্কী মতিক ওনখ্রে। হৌরক্লিবা মীরোলনা মথন্তা খঞ্জিল্লুরগা নীংশিং-নীংশিং নোকচরে অমসুং মশা মথন্তা অঙকপা অমগা লোয়ননা হংজরি; ৱারীগী অসুমাইনা তৌরমগদ্রনে...! অসি য়ৌনা ঙক্লিবগী মপূং ওইবা অওনবা করি-করি লৈরবনো কূপথনা নৈনমিন্নসি। বৈষ্ণভিজম/হিন্দুইজম য়ৌরক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মৈতৈ ফুরুপকী লুহোংবা মশক অমদা য়াম্নমক চম্না পাঙথোক্নরম্মী হায়না অহলশিংনা তাকপীরম্মী। নুপা-নুপী অপাম নুংশি মরীনা চেৎশিন্নরক্লবা মতমদা অহল-লমন চৎতুনা হায়ন-শিংনদুনা লুহোংবগী চৎনবী লৈরম্মী হায়বীরম্মী। লুহোংবগী পরিংদা য়েংলুরগসু হৌজিক পাঙথোক্লিবা লুহোংবা অসিগুম্না অদুক্কী মতিক পাক চাওনা, শেল চঙনা লুহোংবগী মফম অমত্তা থম্বীরমদে। নুপা-নুপীগী ইমুং অনীগী অহল-লমনশিংনা অফবা নুমিৎ অমা লেপ্তুনা য়াম্না চম্না লুহোংবৈ থৌরম মমাঙদা হৈজিং খরাই পুদুনা নুপী ময়ূমগী মীওইশিংনা অঙম্বা অওং-অউন তমদুনা মচানুপীদুবু অতোপ্পা শাগৈ অমা ওনবগী অয়াবা পীবিরম্মী। লুহোংবা মতুং মঙানি চনবদা ফিরুক নুংশাং কায়নরম্মী অমদি তরুকনি শুবদা নুপী ময়ূমদা মপাম চাক্লৌবগী থৌরম পাঙথোক্নরম্মী হায়নসু পনবীরম্মী।

অহোংবা হায়বদু ওইরম্বা তাই ঙসিদি লুহোংবা **‘পব্লিক ফেষ্টিবেল’** ওন্থোকখ্রে। লুহোংবা অমা লাকপদা থোঙ্গালদা পরেং-পরেং লেপ্তুনা কুম্মৈ ওইনা য়েংনরে। লুহোংবা চিংলিবা ‘বেন্দ পার্টি’ অদুগী নুংশিবা, ফজবা ঈশৈশিং ময়াম্না শোন্নে, “ওন্থোক্লসু ফজনা শকখ্রেদা”, “ঈশৈ অসিদা বর/কৈন্যা অসিগা ওন্থোক্লসু চানখ্রে”। য়েংবীনবা ভাবোক লৈরে-য়াল্লে মতাগুম নুপা ময়ূমনা গাড়ী মশীং য়াম্বা বেন্দ পার্টি ফজবা/মশীং য়াম্বদা হিদানরকখ্রে। অমরোমদা নুপী ময়ূমগীসু ময়েং ইতা তাদনা অরৈবী থাদুনা ‘শোন্নপুঙ’ ময়ায় কেবা য়াবা মখৈ কেরি। লোইরকপদা নুপা ময়ূমদা হন্নবা গাড়ী তোঙান্না লৈনদুনা ফজবী তানরি। মীয়ান লমদা কৈন্যা অমসুং বর অনীনা তোংনবা গাড়ী অচৌবা নুপী ময়ূমনা লৈনবদু মণিপুর য়ৌরক্লবজাৎলো? লুহোংবদা কুন্দো পরেং হুক্লিবসি মীরমগী **‘বরমলা’** গী মতৌ তমদুনা কুন্দোনা মহুৎ শিল্লিব্রা হায়না খল্লিঙৈ তাল্লকসিদা মথং-মথং য়ৌশিল্লক্লব্রা?

য়াম্নমক চম্না, নিংথিনা পাঙথোক্লরম্মী হায়বসিমদি ৱারী ওইনা তাজরে অদুমকপু হৌজিক চত্থরক্লিবা থৌরম পরিংশিং অসিদি ইথন্তা খল্লুরগা কোক ঙাওজরে...! হীরম খরদা চাওখৎলম্বদি য়াই অদুমকপু লাইরিক হৈরে খন্নরিবা, শেল পায়রে পান্নরিবা ইরমদম অসিগী মীওই অয়াম্বনা ঐখোয়গী নাৎ, চৎন-কাঙলোন, হৌন-লোনচৎ মুত্থকদৌরে। কান্নদবা হীরম কয়াদা কা হেন্না শেল চঙহন্দুনা ঐখোয়গী লৈজরম্বা মহৌশাগী লুহোংবা হৌজিক্তি মায়কৈ অমরোমদা মমায় লৈদুনা পুখ্রে। “লুহোংবা” হায়রগা ঙসিদি শেল য়াম্না চঙবা, কান্নদবা মীতৌ য়াম্না তম্বা, অওং-অউন য়াম্না তম্বা, ফিল্ম শুটিং ফজবদা লমজেল তান্নদুনা লৈরে। লাইরিক হৈরে, মীয়াম্না শকখঙনরে হায়নরিবা মীয়ামসিনা খরা-খিৎ হেল্লে। “ঐখোয়না অপাম্বা তৌনীং-তৌনীংবদা তৌবদুবু চৎনবী কৌনরে” কলচরগী মরমদা নৈনবিরিবা, থিজিল্লিবা রিসর্চ স্কোলরশিং উনা-উনা অদুমক পি ঐচ দি লোইনবা, দিগ্রী সর্টিফিকেট পায়নবা রিসর্চ তৌবা ওইরগদি তৌবীরুরনু তোকপীরো। ‘রিসর্চ স্কোলর’ হায়বগী মহুত্তা ‘দিগ্রী স্কোলর’ হায়বনা হেন্না পকচরগনি। লাইরিক্কীবু লৌগদ্রা, শেঞ্জাও পায়বগী চৎনবীবু ইনগদ্রা, অখঙ অহৈ শাবশিংগীবু তাগদ্রা ময়ামসিগী মরক্তামীচমশিংদি সুইসাইদ তৌনীংবগী ফীভম য়ৌনরে।

- বেন্দ পার্টি য়ুনিফোর্ম ফজবা/মশীং য়াম্বা, ঈশৈ ফজবা শকপা তান্নরম্বদৈ বেন্দ পার্টিগী তোঙানবা স্পিকর অচৌবা শীজিন্নদুনা ম্যুজিক কন্সর্টকা লোয়ননা লুহোংবা চৎনরক্লে। হৌজিক্লা লাংদেন, পেনাগী ম্যুজিক কন্সর্টনা মখা শল্লি, মথংনা পেনা ভর্সেস সেক্সাফোনগী ফ্যুজন কন্সর্ট লাকপসু য়ারি লুহোংবা চৎপদা।

- ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াদা চৎনরিবা বেনক্বীট হোল, গার্দেন অমদি মেরিএজ হোল কয়া ৱাইদুনা ‘মেরিএজ সেরেমোনি’ পাঙথোক্লবা মণিপুরদসু পূন্না মতৌ তমদুনা লন্নাই গার্দেন অমদি হোটেলগী হোলশিং ৱাইদুনা ‘লুহোংবা’ পাঙথোক্লরক্লে। য়াম্নমক নুংঙাইরিবদি লুহোংফম ৱাইবদা নত্তনা বর/কৈন্যাগী ফিজেৎ লৈতেংফাওবা মীয়ানচাশিংগী মতৌ তমদুনা লৈকায়গী অফাওবা দিজাইনর কয়ানা অমুক্তা উদ্রিবা অনৌবা ফিজেৎ লৈতেংদুনা শেৎনরকপসু হৌরে। লৈবাক নিংথৌগী কোকয়েৎ মওং- ফৈয়েৎ, সলাই কোকয়েৎ মতৌ তমদুনা বারদা য়েৎনরকপসু য়াওরকই। নুপী (কৈন্যা) দা উপ্পা **‘পজেংলৈ’** সু ইভোল্যুসন য়াওশিল্লক্লে, *পজেংলৈদগী কজেংলৈ হৌজিক্লা মোদিফাইদ কজেংলৈ ২.০ ষ্টেজ য়ৌরক্লবগুম তৌরে।* মসিনি অনৌবা চৎনবীগী অনৌবা ৱাহন্থোক!

- ৱারোইপোৎ পুদুনা নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি লৈপুন শেম্নবা অচেৎপা মরী ঙসিদি থওইনরক্তবগুম তৌরে। **“এনগেজমেন্ট সেরেমোনি”** মতৌ তমদুনা ৱারোইপোৎকী মহুৎ শীনজিনবা হৌরক্লে। খুদোপ (রিং) শিনদুনা নুপা-নুপী অনীগী লুহোংবগী অয়াবা পীনরে হায়না শমজিন্নরে। মতাংসিদা মতৌ তল্লিবসি **“এনগেজমেন্ট সেরেমোনি”** ওইরিব্রা নৎত্রগা **‘রোকা সেরেমোনি’** ওইরিব্রা হায়বসিমদি ৱাখল তাদ্রি। মীতৌ তম্লিনা তম্লগদি ময়েক শেংনা তম্বীহৌ হয়েং করম্বনো খঙদদনা মথা শাননি মরমদি থৌরম অনীসি ইমান্দা মান্নে লোইননা ঐখোয়গীদা তৌরিসিদি অনীমক পুনশিন্নবদৌনসু উরি।

- শেল য়াম্না চঙহন্দুনা প্রী/পোষ্ট-ৱেদ্দিং ফোটোগ্রাফি অমদি ভিদিওগ্রাফিদা শেল য়াম্না চঙহন্দুনা তঙাইফদবা অমগুম য়াম্নমক পাম্নরি। মসিমক তঙাইফদবা জাৎলা? লুহোং মমাঙগী ‘বেচেলর পার্টি’ নুপাগী মমান্নবা মমান্নবী কয়াগা পাঙথোক্লি, নাকল অমদনা নুপীগী মমান্নবা মমান্নবীশিংগা **“Bachelorette party”** লুহোং মমাঙগী **‘হৈজিংপোৎ’** কা পূনশিন্দুনা পাঙথোক্লরে। খরা লৈরগদি Mehendi, Sangeet, Tilak/Sagan, Haldi, Griha pravesh, Mooh Dikhai, Pag phera Ceremony কয়াসিসু হাপচিল্লক্কদৌরিব্রা?

- মৈতৈ ফুরুপ ঐখোয়গী ওইনদি ঐখোয়না তাজবদা, খঙজবদা অহল-লমন, থক-খা নাইনা চৎলি হায়না থেংনজৈ। অদুমকপু চাওখৎলকপগী অওনবনি হায়গদৌরিব্রা লুহোং মতুং ম্যেন-লেন্দ ইদিয়াদা পাঙথোক্লবা “Reception ceremony” ইরমদম অসিদসু পাঙথোক্লরে নুমিৎ অসিদা **ৱেষ্টর্ন কলচর + ইন্দিয়ন কলচর** পূনশিন্দুনা মণিপুরী কলচরনা তরাম্না ওক্লি। নুপী অদুগী মতৈ, নুপা অদুগী মনাওনুপী খেন্নবা থোইদোক্লা উদে। পূন্না চামিন্নৈ, পূন্না থকমিন্নৈ। লোইশিল্লকপদা জগোয়-ঈশৈ পূন্না তৌমিন্নৈ। মখোয়না খল্লমগদৌবা মাল্লি ফক্লাং মায়কৈ মরি কোয়শিনবনিনা থোইদোক্লা কায়দে, মপান থোকপা নত্তে ইমুংদা তৌবনি...!!!

- অওনবা ময়াম মরকসিদা য়াম্নমক চমম্নবা অমখক্তি হৌজিকসু লৈরি। অরিবা মতমগী ৱারী-লাইরিকশিংদা পনবীরম্বা মৈতৈগী **‘পেনা থৌগল’** লৈবাক-নিংথৌগী থৌগল অমদি মরু ওইবা লাইগী থৌরমশিংদা পেনা থৌগল তৌবদি থেংনজৈ, মীচম অমদ পেনা থৌগল তৌবা য়াবগী অয়াবা পীরম্বদি থেংনজদে। অদুমকপু হৌজিক লুহোংবদা অনৌবা নাৎ য়োকখৎনবা চত্থরক্লিবা ‘পেনা থৌরম’ অসিবুনা কয়ামুক মরম চারবনো হায়বসিমদি ৱাহং ওইরি। মরমদি মতমদুগী ‘পেনা কোকয়েৎ’, ‘খামেন চৎপা’ অনৌবা চৎনবী অসিদা শীজিন্নবা য়ানবা অনৌবা পুথোরক্লিব্রা? নৎত্রবদি লৈবাক নিংথৌগা মীচম অমগা অনীগী খেন্নবা করিনো? মসি নৎত্রে হায়রগনা পেনাগা লাংদেনগা পূন্না তৌবনিনা অরিবা মতমগী থৌগল্লোন্দা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতবজাৎলা? খঙ হৈরে খঞ্জবা কয়ানা হায়রক্কদৌরিব্রা ২১শুবা সেঞ্চুরিগী মতমনি ‘মোনার্কি সিষ্টম’ লৈত্রে ‘দেমোক্রেসি’ নি অপাম্বদা তৌবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈত্রে। ***‘কলচর হায়বসি দিভেলপমেন্ট লৈগদবনি, দিভেলপমেন্ট হায়বসিদা ইভোল্যুসন তঙাইফদে, ওরিজিনেলিটি হোংলবসু মদু গ্লোবেলাইজেসনগী অহোংবনি’’*** অসুম্না য়াম চুম্বা মান্নদি হায়বীগনু খঙজদবা ইচম চমজবশিংনা অশেংবা অওইবা মানখিনি।

মীতৌ তম্বগী হৈনবী থাদোকপা ঙল্লোই হায়রগদি কান্নবসু খরা তম্বীয়ু, কান্নদবা ইরমদম অসিগী নাৎ, চৎনবীগা চুনদবা কয়াদুখক তম্বীগনু। লেপ্পা লৈতনা মীতৌ তম্বদা কা হেনখিদুনা হয়েং লুহোংলবা মতুং তাহৈদবা, উহৈদবা থৌদোক কয়া থোরক্লবদি মদুদা লৈঙাক, ৱিমেন কম্মিসন, সিভিল সোসাইটি, ওর্গনাইজেসন, লৈঙাকলোই কয়ানা মরমদম নুংশিবা, মরৈবাক নুংশিবা, চনুরা নিংঙোলশিংগী খঞ্জবা শাবীগনু য়েংনীংবা ফাওদে। অসুক লুরবা তাল্লক অসিদদি করম্না লুহোংবদা শেল য়াম্না চঙহল্লোইদগে, নিংঙোল পোকপী মমা-মপা কয়াগী পোৎলুম করম্না হন্থহনগদগে, করম্না অকনবা লোশিং চৎনহনগদগে হায়বদি খনদে। মখোয়নদুম হেন্না য়াওশিন্দুনা লৈরবা, শেল থোকচদবা ইমুং লিশীং কয়াবু অৱাফমদা চিংথবা য়াওশিল্লি। লুহোংফমদা ভাবোক মমায় তাশিন্দুনা। ঈশৈ শকপা/শকপীশিংদা শেল চাইশিন্দুনা লুহোংববু ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম ওন্থোকহল্লি। দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স, ৱিমেন ক্রাইমনচিংবা থৌদোকশিংদগী হন্থনবা লুহোংবদা অওনপোৎ লমজেল, লুহোংবৈ ফেষ্টিবেল, এক্সপেন্দিচর কম্পিটিসন হান্না থিংহৌসি। ‘বেটি বচাও, বেটি পরাও’ অঙাং নুপী মচাদুখক য়েংলগা লাউবনা য়ারোই, নুপীমচা অদুবু কূপ্না শেন্নদুনা শেল্লক্কদৌরিবা মমা-মপা অদুবু হান্না ৱাখল লৈতাহনবা চঙই। লুহোংবদা শেল চঙলি মতিক ৱাহৌদৌরিবসি লুহোংলিবা নুপা অমদি নুপী লোয়ননা মখোয়গী ইমুং অনীদুখকনি। লৈকায়গীদি **“ খূবাক হৌনা-হৌনা খুরম্বদি য়াই, নোংঙানখিবদৈদি করি চারি হংবীরদৌবা কনাসু লৈতবনি”**। মসিমক খঙনা-খঙনা ফত্তে খঙবা চৎনবীসিদা লুপশিল্লিবসি ঐখোয়গী অশোনবনি। অশোনবা অসিদগী থোরকপা মতম ওইরে।

কেরলাগী **‘নায়র ফুরুপ’** তা তমজনীংঙাই ওইবা লুহোংবগী মশক লৈরি। লুহোংবা অমদা মিনট ১৫ য়ৌদনা চঙবা লুহোংবা ফুরুপ অসিদা উরি। মসিমক তম্বদা করি মাঙজবা লৈগনি। নিংঙোলশিংনা অউনপোৎকী লুহোংবদা ফজবা-ফজদবা, অরং-অরাক য়াম্বা য়ামদবগী ৱাখলদা শোকপা লৈতে। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচা নিংঙোল/পিবা লুহোংবদা শেল য়াম্না চঙগনি হায়বগী অৱাবা লৈতে। মসিমক তমজনীংঙাইনি ঙসিগী মীরোলনা।

ঐখোয়গী নাৎ, চৎন-লোনচৎ ইকায়খুম্নসি। অপাম-অপাম্বা পংতৌ তৌবা চুমদে। মনাৎ নত্তনা শঙ্গোম চাগুমসি। মদুনা তুংদা চানীংমন্দনা লেক্লগা তোক্কনি। ঐগী হায়বা অমা লৈজবনি মদু কাইদনবা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমসি। খুন্নাইগী অওনবা কয়া লাক্লে হায়দুনা ঐখোয়গী অশেংবা মশক মচুবু হোংহনবদি চুমদে। ঐখোয়গী অশেংবা ‘লুহোংবগী শক্তম’ অওনবদা য়াওহনবা অরানবা খোঙথাং ওইগনি। য়াম্না চম্না থম্মোয়-থম্মোয় তিন্ননা নুংশিননা লৈমিন্নবদো লুহোংবগী অশেংবা মশকনি। মপাম্থোংগী অরং-অরাক কয়ানা য়োমদুনা থল্লগা থম্মোয় শেংদ্রবদি লুহোংবগী/য়ূম্বানমিন্নবগী ৱাহন্থোক লৈরোই। মদুনা নীংঙমদবা, পেন্দবা কয়াগী হৌরকফম ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। পুন্সিদা করিনুংগী লুহোংজরুবনো হায়বদুমক্তি তাহনগুমসি...!!! ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।